www.sanaleibak.in

SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,028 | 22 Carat/g : ₹ 13,710 | 1 Kg Silver : ₹ 2,22,820 | 10 Gram Silver : ₹ 2,215 | WEATHER: Sunny | Temperature 27/17°C | Sunrise: 05:06 AM | Sunset : 04:58 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 298 | IMPHAL, FRIDAY, OCTOBER 09, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, লাংবনগী ২৯ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

লাইবক ফবা হায়বসি হুমাংমননি, হুমাং তাবা হেনগৎলিবা মখে লাইবক ফবা হেনগৎলক্কনি

# তঙদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক সি এম খেমচান্দনা ইস্যু কয়া পুথোক্তুনা অমিট সাহগা উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে

## ইম্ফাল ইলিভেটেদ হায়ৱে শেন্নবগী অয়াবা পীবিনবা নিতিন গদকরিদা হায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
চহী অহুম হেল্লবা ইরাং মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা অমদি অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা তঙদু লৈতাবা পুরকপা ঙন্নবগী মতাং দা অমদি লৈরিবা ইস্যু কয়া পুথোক্তুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে।

উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মণিপুরদা পিছ অমদি নোর্মেলসি অথুবদা পুরক্লবা হোৎনবদা সেন্টরনা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংসু লৌখৎপিনবা অমদি লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংবিনবা হায়খি। লোয়ননা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চৎপা য়ারমদবা ইম্ফাল–দিমাপুর–গুৱাহাটি বস সর্ভিস হৌরে মসিনা মরম ওইরগা মীচম মীয়াম্না মায়োক্লরম্বা অৱাবা খরা মখেদি কোকপসু ঙম্লে হায়না পাউদমখি।





উনবা অদুদা সি এমনা মণিপুরদা লাক্লবা হায়জখিবা ৱাফম অদুবু অমুক হন্না নীংশিংলুবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা চৎলিবা ওক্তোবর থা অসিদা মণিপুরদা লাক্কনি হায়নসু ফোঙদোরকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়বা ৱাফম পূন্নমক মুন্না তারবা মতুং মণিপুরদা ঈং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা, চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাং গনি। লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্না সেন্টরদা থল্লিবা থাজবশিং অদুসু থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়নসু থাজবা পীরকখ্রে। উনবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা শান্তি পুরক্লবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগীদমক হোৎনরিবা ...মখা লমায় ৫দা...

# ইন্টর ষ্টেট কোদাইন সিরপ লল্লোনবনি হায়বা অমা গুজরাটতা ফারে, ইম্ফালদা পুরকখ্রে

## ওপরেসনদা কোদাইন সিরপ ৮,৬৩৮ ফাগৎপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদগী ষ্টেট লান্না কোদাইন সিরপ লল্লোনবগী নেটৱার্ককী কিং পিননি হায়বা মীওই অমা গুজরাটকী অহমেদবাদতগী ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তাবা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক ঙসি ইম্ফালদা পুরকখ্রে। কোদাইনদা বেজ তৌবা লোক খুবগী হীদাক মহি লোগী ৱাংমদা লৈবা অমসুং য়োনবা তৌবগী ঙসি ফাগৎখিবা মীওই অসিগা মরী লৈননা ওপরেসন চথবদা হায়রিবা হীদাক মহি অসি য়াওবা বোটুল ৮,৬৩৮সু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।



পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙসি ইম্ফালদা পুরকখ্রবা নেটৱার্ক অসিগী কিংপিননি হায়রিবা মীওই অদুগী মমিং নোংথোম্বম জেমসজিৎ এলাইজ থোই কৌই। মহাক নাওরেমথোং বজারদা হাংবা কং লা দ্রগস এন্দ সর্জিকেল ফার্মাসিগী প্রোপ্রাইটরনি হায়রি।

মীওই অসি থা অসিগী ৬তা গুজরাটকী অহমদবাদতগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। লোয়ননা মরী লৈনবা কোর্টতগী নুমিৎ ৪নিগী ট্রান্সিট রিমান্দ লৌরবা মতুং ঙসি মণিপুরদা পুথোরকখিবনি।

হীরম অসিদা থীজিন হুমজিনবগী থবক অসি ইম্ফাল ইষ্ট এন্টি নার্কোটিক্সকী কাংবুনা ইন্টিলিজেন্সকী ওইবা পাউ ফংবদগী ওক্তোবর ৪দগী হৌরগা এন্টি নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর এন্দ রেঞ্জ ইম্ফালগী সি আর পি এফ ক্যু এ টি, ইম্ফাল ইষ্টকী সি দি ও অমসুং য়ুথ এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহোল মণিপুর (য়াদম)গী অপূনবা কাংবুনা থীজিনবা হৌরকখিবনি। নুমিৎ অদুদা নিংথেম পুখ্রি ...মখা লমায় ৫দা...

## ডা. মন্সুখ মন্দভিয়া ইম্ফালদা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
য়ুনিয়ন য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর ডা. মন্সুখ মন্দভিয়া নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি য়েং শিন্নবগীদমক ইম্ফালদা লাক্লগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগা ন্যু দিল্লিদা উনখিবা অমদা ডা. মন্সুখ মন্দভিয়ানা হন্দক জপানদা পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## বিজয় ককচিংতাবম অমজুনা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
বিজয় ককচিংতাবমবু প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই) গী মেম্বর খল্লকখিবদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না তরান্না ওকখ্রে।

তরান্না ওকপগী থৌরম অদুদা অমজুগী প্রসিদেন্ট অসেম ভক্তনা ষ্টেট অসিগী লুরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গী ...মখা লমায় ৫দা...

## ডা. সুপ্রিয়া জেনিমসকী দাইরেক্টর হাপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
মতম শাংনা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী হাংদুনা লৈরম্বা দাইরেক্টর ইন্সটিট্যুট অসিমক্কী মাইক্রোবাইওলোজিগী প্রোফেসর অমদি একাদেমিক্কী দিন ওইরিবী ডা. সুপ্রিয়া লৈফাংবমবু দাইরেক্টর ওইনা হাপখ্রে। মহাক চহী ৩ দাইরেক্টরগী পোষ্টতা লৈগনি হায়রি।

## ‘সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তবনা চুমগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
চহী খুদিংগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্তুনা লাকপা ষ্টেট অসিগী অচৌবা ফেষ্টিভেল অমা ওইরিবা সঙাই ফেষ্টিভেল লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা তঙদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা পাঙথোক্তবনা চুমগনি হায়না নেস্নেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সিল ...মখা লমায় ৫দা...

# আই এস আইনা য়ু পিদা টেরর, পঞ্জবতা দ্রগ অমসুং মণিপুরদা ইরাং লেপ্তনবা হোৎনরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
লাক্লিবা ২০২৭দা এসেম্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব অমদি মণিপুরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি অমা ওইরিবা ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) দা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবা এজেন্সি অমগী মতুং ইন্না লাক্লিবা ২০২৭গী ফেব্রুৱারি থাদগী হৌরগা মার্চ থা ফাওবদা উত্তর প্রদেশ, গুজরাট, পঞ্জাব, উত্তরখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, মণিপুর অমদি গৌৱাদা এসেম্লি ইলেক্সন পাঙথোক্লবা শেম শারি। অদুবু হায়রিবা এসেম্লি ইলেক্সন পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ষ্টেটশিং অসিগী মনুংদা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব অমদি মণিপুরদা আই এস আইনা তোঙান–তোঙানবা পান্থে কয়া শীজিন্নদুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপদা পাকিস্থানগী ইন্টর–সার্ভিস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) উত্তর প্রদেশতা টেরর এটেক্ট চথনবা ...মখা লমায় ৫দা...

# ঐ ঐগী ফুরুপ খক্কী ৱাখল্লোল নত্তনা অপূনবা অমা শাগৎসিঃ করাম শ্যাম



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
রাজনিতি অসি টিম ৱার্কনি, লিমিটেসন লৈতে। লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি মীয়াম মরক্তা লৈরিবা খুৎশু–খুৎলায় সরেন্দর তৌহনবনা ওইগনি, নত্রবদি ওইথোক্লোই। মীপুম খূদিংমক্লা কম্যুনিটিগী ...মখা লমায় ৫দা...

# জে এফ দি ব্রুমেন ৱিংনা এম এল এশিংগী ফিরেপ লৌবগী সিগ্নেচর কেম্পেইন চথরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিলিমিটেসন (জে এফ দি) মণিপুরনা নো এন আর নো সেন্সসকী মতাংদা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিগী এম এল এশিংদগী মখোয়গী ওইবা ফিরেপ লৌবগী সিগ্নেচর কেম্পেইন ঙসিসু জে এফ দি ব্রুমেন ৱিংনা চথখ্রে।

জে এফ দিগী সিগ্নেচর কেম্পেইন ঙসি ৭ নি শুবা নুমিত্তা এম এল এ অহুম উনদুনা ৱারী শাখি। লোয়ননা এম এল এ অহুম্মক্কী খূৎয়েক লৌখি। জে এফ দিগী পোইন্ট ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা খোঙজং অসিগী মতাংদা এম এল এশিংগী ফিরেপ খঙদোকপগা লোয়ননা খূৎয়েক লৌবগী কেম্পেইন মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন (এন আর সি) ১৯৫১ অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুর ষ্টেটকী সেন্সস ওপরেসন তৌহন্দনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মপূং ফানা সপোর্ট তৌই হায়বা ৱারোল য়াওবা দিক্লারেসন পেপর ফোর্মেট অমসু এম এল এশিংদা পীশিনখি। ...মখা লমায় ৫দা...

# ‘টি বি লায়না মুখৎনবা হোৎনবদা পূন্নমক্কী থৌদাং চঙই’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
টি বি লায়না অসি হীদাক চাদুনা থা ৬কী মনুংদা ফহনবা ঙম্বা লায়না অমনি। মরম অদুনা টি বি মুখৎপদা ঐখোয় পূন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই হায়না রাজ্য সভাগী মেম্বর অধিকারিময়ুম সরদানা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হেল্থ জোইন্ট স্কৱাদ ফোর হেল্থ (জোর্স টিম) লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা নেসনেল টি বি ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম নেসনেল হেল্থ মিসনগী মীৎয়েং মখাদা দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিস মণিপুরনা শীন্দুনা টি বি মুক্ত ভারত অভিয়ান জোস টিম লোঞ্চ তৌবগী থৌরম চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর অধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা হায়, মতম অমদা টি বি লায়না অসি নাবা মতমদা হায়দোক্লবদা ইকায়নরম্বা অমদি মসিনা খুদোংথিবা থোকহল্লবা কয়া ...মখা লমায় ৫দা...

# ‘সি ঐচ সিগী অৱাৎপা পীরক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
ৱাঙ্গোই কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর কনবগী খোঙজং অসি পোলিটিক্সকা মরী লৈনদে, সেন্টর অসিগী অৱাৎ অপাশিং লৈঙাক্লা পীদ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না য়ং দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙ্গোইদা লৈবা লৈকাই ৫গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লৈকাই মঙাগী মহুৎ শিল্লদুনা য়ং দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন ক্লব ৱাঙ্গোইগী প্রসিদেন্ট লোংজম অচৌবনা হায়, পুয়া কৌবা লূপ অমনা হেল্থ সেন্টর অসিগী অৱাৎ–অপা কয়াগী মতাংদা মেদিয়াদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থম্বা লৈখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

# লমলক্কী শা–উচেকশিংদা অকায়বা পীরোইদবনিঃ অনুরাগ বাজপাই

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
অকোয়বগী ফিভম শেংনা থম্বদা চাওনা মতেং পাঙলিবা লমলক্কী শা–উচেকশিংদা মীওইবা ঐখোয়না অকায়বা পীরোইদবনি হায়না প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (পি সি সি এফ) অনুরাগ বাজপাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরোইশেম্বদা লৈবা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনগী ৫০শুবা মপোক কুমওন গোল্ডন জুবিলি থৌরমদা ৱাফম অসি অনুরাগ বাজ পাইনা ফোঙদোকখিবনি।

জুলোজিকেল গার্দেনগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা পি সি সি এফ অনুরাগ ...মখা লমায় ৫দা...

# ৪৯শুবা প্রিপাক্কী মপোক কুমওননা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ পিপলস রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী ৪৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম ওক্টোবর ৯ না লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

লোনা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী ইন্টরিম কাওন্সিলগী চ্যেরমেন অহৈবা অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমথাক তৌরগা নম–হাদুনা লৌশিনখিবা কংলৈ মীয়ামগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিলহন্দুনা লমদমসিগী মীয়ামদা ...মখা লমায় ৫দা...

# সেৱা সংকল্প অভিয়ান ৱিক্সিট ভারত ২০৪৭ মায় পাকহন্নবা থৌরাং অমনি, মীয়াম্না শৌগৎপীয়ুঃ সত্যব্রতা

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ামগী সেৱা তৌরকপা চহী ২৫ শুরকপগা ইরোইননা ইফি দয়া পূম্বদা পাঙথোক্লিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ান প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱিক্সিট ভারত ২০৪৭ মঙলান মায় পাকহন্নবা থৌরাংনি। সংকল্প অভিয়ানগী থৌরমদা তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা পীরিবা কান্নবশিং মীয়াম্না হকথেংননা শরুক য়াদুনা লৌহৌসি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতানা ফোঙদোকখ্রে।



দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ৱাঙ্খে কৈথেল অশাংবীদা লৈবা নহারোল শিন্থা কাঙলুপ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর অমদি ইফি দয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা থাবুম অমা চথগদবা ‘সেভা সংকল্প অভিয়ান’ থৌরমগা ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ট্রাফিকসু লৈতে করিনো তৌরিসিবো ইম্মর্জেন্সিগী অনাবদি লম্বীদা অদুম তৎপা তারেনে



চৎলি ময়ামসিসু ইম্মর্জেন্সি ঙাক্তা ওইরমগনি অদুনা চীল্লিনি

## হেক্তা হায়জিনবা

### হিংমিন্নসি

হিংমিন্নসি ঐখোয়
হিংমিন্নসি ঐখোয়
শা–লান মরকসিদা
হিংমিন্নসি ঐখোয়
চীং–তম খায়দোক্লগা হিংমিন্নসি
হৌ হৌ চোংলগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বগা মনাওগা হিংমিন্নসি
মনাওনা থেল্লগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বনা ঙমহল্লগা হিংমিন্নসি
তৌরিঙৈ য়ারগা হিংমিন্নসি
পুকচাক লম্বী থীংহল্লগা হিংমিন্নসি
লু পাৎ তৌহল্লগা হিংমিন্নসি
ফুনিংবা ফুহল্লগা হিংমিন্নসি
হাৎনিংবা হাৎল্লগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বনা ঙমহল্লগা হিংমিন্নসি
তৌনিংবা তৌহল্লগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বনা মনাওগা হিংমিন্নসি
হৌ হৌ চোংলগা হিংমিন্নসি
হিংমিন্নসি ঐখোয়
হিংমিন্নসি ঐখোয়



# ‘হেঙ্গুল দে, মণিপুরদসু মায় পাক্লা পাঙথোকপসিনা ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়াগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি’



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ

সাউথ কোরিয়াগী অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা হেঙ্গুল দেগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা ওল মণিপুর কেপোপ দান্স এন্দ সোং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

হেঙ্গুল দে, মণিপুরদসু মায় পাক্লা পাঙথোকপসিনা ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়াগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়না কিং সেজোং ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী ওপরেস্নেল পার্সন ডা. মিনজে পার্কনা ফোঙদোকখ্রে।

কিং সেজোং ইন্সটিট্যুট ইম্ফালনা শীন্দুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা হেঙ্গুল দেগী থৌরম অদুদা কোরিয়ান ফুদ, দ্রেস অমসুং কোরিয়াগী পোথোকশিংগী ওইবা ষ্টোল কয়াসু ফমখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ডা. মিংজে পার্কনা হায়, হেঙ্গুল দেগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা চাংদম্নবা অসিদা লমদম অসিগী নহা কয়ানা কোরিয়াগী কলচরবু পামজনা শরুক য়াবা উবসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অসুন্না কলচর এক্সচেঞ্জ তৌবা মওংদা পাঙথোকপা থৌরমশিং অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নহন্নবা মরম ওইহল্লে হায়না নুংঙাইবা অপেনবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কিং সেজোং ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী ওপরেস্নেল প্রোফেস্নেল ডা. মিংজে পার্ক, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনেটিজগী দিন প্রোফেসর তোইজম তম্ফা, এম য়ু এস সুগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সনাথোই, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেঙ্গুৱেজ কোরিয়াগী হেদ ডা. অহন্থেম রোমিতানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইরাং নাথৈখ্রগা মীখলগীদমক পোলিটিকেল পার্টি মশেল হুন্নরকপা লৈবাক মচা তাবা ৱাৎলিঃ কেঐচ দিপু



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী ইরাং নাথৈরন্নগা মীখলগী ইচেলদা তাওদুনা পোলিটিকেল পার্টি মশেলগী মরক্তা হুন্নদুনা লৈবা লৈবাক মচা তাবা ৱাৎলি হায়না লোক জন শক্তি পার্টি (এল জে পি) রাম ভিলাস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোইরোম দীপুনা ফোঙদোরক্লি। ৱাফম অসি ঙসি এল জে পি রাম ভিলাসকী ফাউন্দর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মতম অমগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম ভিলাস পাসৱানগী ৬ লক শুবা লৈখিদবা কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা কৈশাম্পাৎতা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিস্তা পাঙথোকখিবা নীংশিং থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

এল জে পি রাম ভিলাস মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নীংশিং থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট দীপুনা, মীয়াম তিনবা মীফম অমদি খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিংদা ঐগী ঐগী পোলিটিকেল পার্টিনা ফৈ হায়না হুন্নাবা অমদি থক-খা খঙদবা ৱাঙাং শঙাং শীজিন্নবা ইকাইনিঙাইনি। বি জে পি লাক্লবদি অওনবা লাক্কনি। কোংগ্রেস লাক্লবদি ইরাং লোইশিনগনি হায়বা য়াওনা মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিশিং থাগৎনদুনা লৈবগী মতম নত্তে হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, চহী ৪ শুজিল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন মতৌ করম্না পুরকমিন্নগনি হায়বা ৱাখল্লোনলোমদা চঙশিনমিন্নসি, মীখলদা তাওদুনা লৈবা চুম্লোই। এল জে পি রাম ভিলাসকী ওইনদি পার্টি অমবু নৎত্রগা কনাগুম্বা অমবু হুনবগী ৱাফম লৈতে, ইরমদম অসিগীদমক করিগুম্বা মচং ওইবা খোঙথাং লৌরম্বা হায়বা অসিনা পার্টি অসিগী লেঙদ্রবা ফিরেপনি হায়খি। নাকল অমরোমদা, পার্টি অসিগী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর রাম ভিলাসকী মতাংদা পল্লদুনা দীপুনা, টার্ম ৯ লক লোক সভাগী এম পি ওইদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা লুচিংবা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক লৌরম্বা থৌদাং মীয়াম্না কাওফম থোক্তে। ঙসি য়ুমথোঙ খুদিংগী মীওই অমমমগী চেঙ কিলো ৫/৫ লেন্না ফংলিবা অসি লুচিংবা অসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সি এ এফ এন্দ পি দি ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদা হৌদোক্লম্বনি।

মীহুৎ অমা ওইনা ওইজবা থিদনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপা হায়বা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন তুংইন্না, মীয়ামগী য়াইফবা থৌরাংগীদমক পার্টি অসিনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম ভিলাস পসৱানগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লুচিংবা অসিবু ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# ‘মীৎ লায়েংফম্ম অদু নীংথিনা এক্সপিরিয়েন্স লৈরব্রা হায়না খঙদোকপা চঙই’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ

ঐখোয়না মীৎ নুংঙাইত্রে হায়দুনা ওপটিকেল সেন্টর অমদা চৎলগা মীৎ য়েংলিবা অসি অহানবদা মীৎ য়েংগদৌরিবা ওপটোমেত্রিষ্ট অদু নীংথিনা এক্সপিরিয়েন্স লৈরব্রা হায়না হান্না খঙদোকপা চঙই হায়না মণিপুর ওপটোমেত্রিষ্ট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ অশাকিরননা ফোঙদোরক্লি।

লভ য়োস আইজ হায়বা হীরমদা মণিপুর ওপটোমেত্রিষ্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ৱার্ল্ড সাইট দে ২০২৬কী থৌরম নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী মরী লৈননা মহাক্লা মখা তানা হায়, ইশাগী মীৎসিবু নুং শিসি, মীৎ নাদে হায়দুনা মীৎ য়েং থোক্তবা তৌবিগনু। লায়না অমা নাবা মতমদা মীৎতা ইফেক্ট লাকপা অসি অদুমক লৈ। মরম অদুনা চাং নাইনা মীৎ লায়েংথোকপীদুনা মীৎ নুংঙাইনা থম্বীয়ু। হায়রিবশিং অসিগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়ামদা এৱেয়ারনেস পীনবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার এন পি সি বি ডা. বিক্রম সিংহ, এম টি য়ুগী রেজিষ্টার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পম অমদি মণিপুর ওপটোমেত্রিষ্ট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ অসাকিরননা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না এসোসিয়েসন অসিগী ৱেবসাইট অমসু লোঞ্চ তৌখি।

# ঐ ঐগী ফুরুপ খক্কী ৱাখল্লোন নত্তনা...

*লমায় ১গী মখা...*

ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু হায়না লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

তখেল্লম্বম কোঞ্জিন্দা লৈবা থোই থোই এভেঞ্চর পার্ককী ৫শুবা ফাউন্দেসন দে নুমিৎতা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হায়বসি পূন্নমক্কী অপাম্বনি, মণিপুর লৈঙাক্কীসুনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শান্তি হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরি। লমদম অসিদা খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া লৈবা অসিনা লৈঙাক্লা হায়বা লৌদবা অমদি কন্ত্রোল তৌবদা অৱাবা লাক্লি। মীয়াম মরক্তা লৈরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অসি সরেন্দর তৌবা ঙমদ্রিবা ফাওবা লমদম অসিদা শান্তি পুরকপা ৱাগনি। ষ্টেট অসিগী চিরবা তাঙ্কক অসিদা মীয়ান্না কম্যুনিটি ইন্টরেষ্টতা ৱা ঙাঙবা তোকপীয়ু। ফুরুপশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমদি শান্তি পুরকপা অসি লৈঙাক্কী মথৌ ওইরবসু নম্ফুদা তৌবদি য়ারোই। মসিদা কম্যুনিটিশিংগী অমত্তা ওইবা থৌদাং অমদি মীয়ামগী মতেং চঙই। মতম খর চঙজরবসু শান্তিদি শুং শোই শোয়দনা লাক্কনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, কে ঐচ ইনাওবগী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী মচানুপাগী মিংদা এভেঞ্চর পার্ক অমা হাংদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ান্না ফেমিলি ওইনা পূন্না ঙাইহাক কোইবা লাকপা, অঙাংশিংগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী মফম অমা পীরিবা অসিমক য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা তঙদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা থোইথোই এভেঞ্চর পার্কগুম্বা ঙাইহাক পোথাবা য়াবা মফম তঙাই ফদবা য়াম্না লৈ হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা থোইথোই এভেঞ্চর পার্ককী দাইরেক্টর কে ঐচ ইনাওবনা হায়, থোইথোই এভেঞ্চর পার্ক অসি মহাক্কী মচানুপা থোইথোইনা নোংমা গুৱাহাটিগী একোলেজদা চৎলুবা মতমদা লমদম অসিদসু লৈহন্নিংবগী অপাম্বা অমা ফোঙদোরকপদগী হোৎনজরকপনা ঙসিদি ফিভম অসি ওইরকপনি। থোইথোই এভেঞ্চর পার্ক অসি ঙসি ফেমিলিশিং পূন্না কোইনা চৎপগী খুদোংচাবা অমা পীবগা লোয়ননা মীওই কয়াদসু থবক পীবা ঙম্লে। লোয়ননা পার্ক অসি চাওখৎনবগী ৱাখল্লোল থল্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন ই আর সি ও আর এম এসকী এম দি এম ইবোয়াইমা, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, ইম্ফাল উরবান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী হান্নগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল সুরঞ্জয় য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ফাউন্দেসন দে থৌরমগা মরী লৈননা থোইথোই এভেঞ্চর পার্ককী ষ্টাফশিং অমদি ৱেল ৱুইজ রিশিংদা খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# তঙদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক সি এম...

*লমায় ১গী মখা...*

থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি হায়রি।

ন্যু দিল্লিগী খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গদকরিগসু উনদুনা শংশক-তেংনৌপল হায়ৱেগী থবক হৌনবা অমদি ইম্ফাল সিটিগীদমক প্রপোজ তৌখ্রবা ইম্ফাল ইলিভেটেদ হায়ৱে প্রোজেক্ট শেম্বগী অয়াবা পীবিনবসু হায়খ্রে।

উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মণিপুর ষ্টেটকী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা থেংনরিবা ইস্যু কয়াগী মতাংদসু খন্নখি। কনেক্টিভিটি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক অমদি নেসনেল হায়ৱে অনি অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মীয়ান্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা হৌজিক হৌজিক নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমদি নেসনেল হায়ৱে ২ দা চথুরিবা লম্বী শেম্বগী থবক অথুবদা লোইশিনবিনবা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকরিনসু চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দদা ইম্ফাল ইলিভেটেদ হায়ৱে প্রোজেক্ট অসি মিনিষ্ট্রিগী লেভেলদা অন্দর এক্টিভ কন্সিদরেসনদা হৌজিক লৈরে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি। লোয়ননা নিতিন গদকরিনা মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থল্লকপা প্রোজেক্ট খুদিংমক থবক্তা ওন্থোক্লবা অমদি লৈরিবা ইস্যু পূন্নমক কোকহন্নবা পায়খৎপা য়াবা অমদি তৌবা য়াবা থবক পূন্নমক তৌগনি হায়বগী থাজবসু পীরকখ্রে। লোয়ননা মণিপুরগী চাওখৎনবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা অমদি রোদ কনেক্টিভিটি ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং শোয়দনা পাংগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

# টি বি লায়না মুথৎনবা হোৎনবদা পূন্নমক্কী...

*লমায় ১গী মখা...*অদু ২০১৪দগী টি বি মুক্তা ভারত অভিয়ান হৌদোক্তুনা লায়না অসি মুথৎনবা লৈঙাক্লা থৌদাং কয়া পায়খৎলক্লি। লমদম অসিদসু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিংগা এন জি ওশিংগা খুৎশন্নদুনা মফম মফমগী ওইবা টেষ্ট তৌথোকপা, লায়না অসি খঙদোক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। অনাবা মীওইশিংদা হীদাক মতম চানা পীজবা, মখোয়গী মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্দুনা থা ৬কী মনুংদা লায়না অসি ইরাই লাইনা ফহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা লায়না অসি মুথৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাং চঙই।

ঙসি লৈবাক অসিগী নহাশিং এন সি সিগী মশিং য়াম্লবা কেদেটশিংনা লায়না অসি মুথৎপদা মীয়ামদা মেসেজ পীদুনা শরুক য়াখিবা অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হেল্থকী জোস টিম ঙসি হৌদোকখিবা অসিনা লায়না অসি শোয়দনা মুথৎপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী কম্মিস্নার সুমন সিংহ, হেল্থ সাইর্ভিসকী দাইরেক্টর ডা. নোংথোম্বম হেমন্তকুমার অমদি এন ঐচ এমগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর এম দিনেসসু মরু ওইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা দিল্লিদা পাঙথোকপা টি বি মুক্তা ভারত অভিয়ানগী জোস টিম হৌদোকপগী থৌরম অদু ভর্চুয়েল ওইনা শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১৪দগী চঙশিল্লকখিবা টি বি মুক্তা ভারত অভিয়ানদা মায় পাক্লবা টি বি লায়না লৈত্রে হায়না শকখঙলবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উচিৱা অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈথেৎ ভিল্লেজতা থবক তৌখিবশিংদা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# সেৱা সংকল্প অভিয়ান ৱিক্সিট ভারত ২০৪৭...

*লমায় ১গী মখা...* মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরা চাওখৎলগা ইন্দিয়া চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। ষ্টেট খুদিংমক চাওখৎলবা মতম অদুতদা ইন্দিয়া চাওখৎলে হায়না লৌগনি। সেভা সংকল্প অভিয়ান অসি ইন্দিয়াবু মালেমগী থাক্তা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান মঙফাওননবা শাগৎপা হৌবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা মখা তারদুনা হায়, সেপ্টেম্বর ১৭তগী হৌদুনা ওক্টোবর ১৭ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা সেভা সনকল্প অভিয়ান পাঙথোকপগী মরু ওইবা ৱাহন্থোক ঐখোয়না খঙমিন্নসি হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থল্লিবা ইং কুমজা ২০৪৭গী ভিকসিট ভারতকী পান্দম অদু ওইরক্লবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিং অদু লাংখৎলকপনি। মপাঙ্গল কনবা অমদি ইকোনোমিক দিভেলপমেন্ট য়াম্না ৱাংবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়াগী সিটিজন খুদীংমকপু চাওখৎনবা হোৎনবদা স্কিম কয়া পীরি অমদি পীরিবা স্কিমশিং অদু মীয়ামদা মতম চানা য়ৌহন্দুনা মসিগী কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনরি। লোয়ননা ইন্দিয়া অসি অমত্তা ওইনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনরবসু চাওখৎপা ঙমদবা লৈবাক অমা ওইরি। ষ্টেট খরখক চাওখৎলগা অমদি নুংঙাইরগা অপুনবা ইন্দিয়া নুংঙাইরে, চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। মরম অসিনা স্কিমশিং চপ মান্ননা ফংহন্ননবা ঐখোয় খুদিংমক্লসু ভোলুন্টরি ওইনা চোংথোক্তুনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়খি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কমিস্নার ডানিভেদিতা লাইরেনলাকপম, ষ্টেট কনভেনর সেভা সনকল্প অভিয়ানগী কে শরত, ভারতিয়া জনতা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ অমদি বি জে পি য়াইস্কুল মন্দলগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সত্যাভমানা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৩০ রোমগী মীওইশিং লাক্তুনা মীয়ান্না থেংনরিবা অৱাবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনখি। লোয়ননা এ সি অসিগী মনুংদা লৈরিবা নীংথিনা চৎপা ঙমদ্রবা অহল ওইরবা খনগৎলবা মীওই খরদা হ্বিলচ্যের অমদি ৱাল্কিং ষ্টিক য়েন্থোকখিবদা নত্তনা মহৈরোইশিংদসু টেক্সবুক অমদি য়ুনিফোর্মসু য়েন্থোকখি।

# সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তবনা...

*লমায় ১গী মখা...* (নিপকো)না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল নোংমাইথেম জিবননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী অহুম হেল্লক্লবা ইরাং অসিনা লমদম অসিগী মমল য়াম্লবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী থৱায় কয়া মাঙহনখ্রে। অমদি মমল য়াম্লবা লনথুম কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। থোক্লিবা ইরাং অসি ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী লম্বী অমা পাল্লিবা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক অসিনা থিবগী মহুত্তা ওন্ন-তৈননা তৌদ-য়াদবা অমগুম মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবগী ৱাংমদা চাওখৎ থৌরাং অমদি ফেষ্টিভেল শীনবদা থৱায় হেন্না য়াওরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মীয়ান্না মতম শাংনা লাওরগা লাক্লিবা মাঙদা তারিবা ইসু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবা নত্তনা মসিদগী হেন্না অরুবা অমত্তা লৈতে হায়না লৌই। থোক্লিবা ইরাং অসি মীয়ান্না থোকহনবা, মীয়ান্না লোইশিনগদবগুম লৈঙাক পায়রিবশিংনা ফঙ্কসন কয়াদা অদুমক ঙাঙদুনা লৈবা অসি মথৌ মশক খঙদবা লৈঙাক অমগী মচৎনি হায়না লৌই। পিকখ্রবা ষ্টেট অসিগী মমল য়াম্লবা য়েলহৌমীশিং নোংমা কাংদনা মরম চাদবা মওংদা মীশি মীনা নংলিবা, লনথুম কয়া মাঙ তাক্লিবা অসি কনবদগী হেন্না লুবা হিরম অমত্তা লমদম অসিগী লৈতে। মরম অসিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন হান্না পুরক্লবা হোৎনগদবনি। কোন্না চাম্মরক পাঙথোকপা য়াবা ফেষ্টিভেলশিং পাঙথোকপদা য়াওরিবা ৱাখল্লোন অদু অমুক্তং মুন্না খন্দুনা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন হান্না পুরক্লবা হোৎনবিয়ু হায়না চেরোল অসিনা পল্লি।

# আই এস আইনা য়ু পিদা টেরর, পঞ্জবতা...

*লমায় ১গী মখা...*

থৌরাং তৌরি। পঞ্জাবতা আর্ম এন্দ নার্কোটিক স্মগ্লিংগী মথক্তা গ্রেনেদ এটেক্ট চথনবা হোৎনরি। অসিদা নত্তনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি অমুক্কা হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা আই এস আইনা সহেজাদ ভাতিগী খুত্থাংদা ইন্দিয়াগী য়ুথ কয়া রিক্রুইট তৌনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। আই এস আইনা শেল খরা পীদুনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু রিক্রুইট তৌদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। ইলেক্সন মায়োক্লগদৌরিবা পঞ্জাব অমদি উত্তর প্রদেশতা সহেজাদ ভাতিগী খুত্থাংদা আই এস আইনা মশিং য়াম্লবা নহারোল কয়াবু রিক্রুইট তৌনবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

আই বিগী মায়কৈদগী সেন্সিটিভ লোকেসনশিংদা চথুরকপা সর্ভিলেন্সতা মী কুংনা তীনবা রেলৱে ষ্টেসন অমসুং বস ষ্টেসন কয়াদা সহেজাদ ভাতিগী মখাদা অচৌবা এটেক্ট চথনবা থৌরাং তৌরি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। আই বিগী অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমগী মতুং ইন্না আই এস আইনা সহেজাদ ভাতিগী গেঙ খক্তা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং শেল খরা পীদুনা পঞ্জাবতা নার্কোটিক স্মগ্লিং অমদি আর্মস ট্রেদ হেন্না কনখৎহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পঞ্জাব অমসুং উত্তর প্রদেশ খক্তদা নত্তনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ইরাং থোক্তুনা লৈরিবা মণিপুরদা মখা তানা পাক্তক্লনা নৌনা ইরাং থোক্লবা হোৎনরক্কদ্রা হায়বগী চাওনা মীপায়বা লৈ। হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসি ঙসি খরা ইংথরক্লবসু তোঙান- তোঙানবা চয়েৎনবা কয়া ঙসিসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিবনি। মরম অদুনা আই এস আইগী মায়কৈদগী মণিপুরদা মখা তানা ইরাং অসিবু পাকথোক শন্দোকহন্দুনা অৱাং নোংপোক্তা অচৌবা ইরাং অমা থোকহন্নবা হোৎনরক্কদ্রা হায়বগী চীংনবা চাওনা লৈরি। অসিদা নত্তনা বংলাদেশকী মায়কৈদগী অৱাং নোংপোক্তা প্রোক্সি ৱার চথুরক্কদ্রা হায়বগী ওইথোকপা চাওনা লৈ হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# ৪৯শুবা প্রিপাক্কী মপোক কুমওননা লাকপদা...

*লমায় ১গী মখা...*নীংতম্বা, চাওখৎপা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমা পীনবগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা নীংতম য়াওল লান্থেং চথুরিবা পিপল’স রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী ৪৯শুবা মপোক কুমওন ওক্টোবর ৯না লাকপদা অহানবমক্তদা ইন্দিয়াগী লোইলমদগী নান্থোক্তুনা হান্নগী লৈজরম্বা নীংতম্বা কংলৈপাক অদু অমুক হন্না পুরক্লবা নীংতম য়াওল লান্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংদা য়াওল্লুপ অসিগী চ্যেরমেন, ইন্টরিম কাওন্সিলগী থৌ পুরিবা অহৈবম অঙোমনা য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎলি। লোয়ননা লোইলম লৈঙাক্কী অৱা চৈথেং মায়োক্লদুনা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নরক্লিবা ইফুরুপচাশিং, য়াওল্লুপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মরুপশিং, ৱেসিয়া লমদমদা য়াওল ইহৌ তৌমিন্নরিবা মচি-মনাও ওইবা য়াওল্লোইশিং অমদি লোইলম লৈঙাক্ল ওৎপী-নৈবীরবা মালেমগী মীয়ামগী মফমদা প্রিপাক্লা নীংতম য়াওলগী পাউজেল পীরি।

পাউজেল চেরোল অসিনা হায়, অহিং-নুংথিল নাইদনা লৈবাক্কী লুরবা ইসু কয়াদা অচৌবা থৌগাই লৌবীদুনা মীয়ামদা মিৎ-নাকোং শিংহল্লিবা পাউচেশিংগী শিনফমদা লৈবীরিবা প্রিন্টি এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী ইচিনইনাওশিংবুসু পার্টিগী ৪৯শুবা মপোক কুমওননা লাকপদা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পার্টিগী ৪৯শুবা মপোক কুমওন লাকপদা প্রিপাক্লা লৈবাক মীয়ামদা থল্লক্লিবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা শিন্নজরি। মসিবু নৈনবীনবসু নোল্লুক্লা থল্লক্লি।

হৌজিক কংলৈপাক্তা থোক্লিবা মুক্লবা অসি চফু অমগী মনুংদা পুন্না লৈমিন্নজবা ইচম-চমজবা অঙাঙবা অমদি অচুবা ককচেং ২গী ৱারীনা খুদম ওইনা পীদুনা লমদম অসিগী চয়েৎনরিবা ৱাফমশিংগী ৱারু খঙমিন্ননবা হোৎনবা চঙই। অঙাঙবা অমদি অমুবা ককচেংবু চফু অমগী মনুংদা পুন্না হাপচিন্দুনা থম্বদা, অদুমক তুমিন্না খৎন-চৈনদনা মানা-মানা তৌগদবদু তৌদুনা অদুমক লৈ। অদুবু চফু অদু মপানদগী কনাগুম্বা অমনা নিক্লরবদি চফু মনুংদা ইংনা-চীক্লা লৈজরল্লিবা ককচেং মখল অনী অদু খুদম-চাংদম য়াওদনা মখোয় মশেল অমনা-অমদা মরাল থংজিন্নৈ, চিকনৈ, অঙম-অঙম্বা হাৎনৈ। অদুবু মখোয় ২বু খৎনহল্লিবা, চফু অদুবু নিক্লিবা মপানগী খুৎ অদুবুদি মশক খঙনবা খক হোৎনরুদে। ৱাফম অসিমক ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক অসিগী খুন্নাই লোলদা অঙনবা মতমদগী অদুমক চথুদুনা লাকই। কংলৈপাক্কী মীয়াম মখল য়াম্মী, খেন্নবনা হেনবা ফুরুপচাশিংনা খুন্দামিন্নৈ, খেন্নবা চৎন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক, লোল মখলশিং অমদি লাইনিংলোল কয়াককচেং মখল কয়ানা চফু অমগী মনুংদা পুন্না লৈমিন্নবগুম্না ইংনা-চিক্লা লৈমিন্নদুনা লাকপনি। খেন্নবা কয়া লৈদুনসু লৈকোল অমদা লৈ মখল শুনা শাৎপা অমদি মখল-মথেলগী পান্বীশিং লৈবনা মতমগী চাংয়েং কয়া খাংবা ঙম্বা ইকো-সিষ্টেম অমা লৈদুনা লৈবাক অসি চহী লিশিং কয়াগী সিভিলাইজেসনগী প্রোসেসতা শরুক য়ামিন্নদুনা মপুং ফাবা লৈবাক অমা ওইনা মশাগী অখন্নবা সোসিওইকোনোমিক, হিষ্টোরিকেল অমদি পোলিটিকেল আইদেন্টিটি অমা শেমগৎলক্তুনা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা পান্দুনা লাকখিবনি। হায়রিবা ইকো-সিষ্টেম অসি লোইলম লৈঙাক য়ৌশিল্লকপা মতমদগীদি খেন্নবশিং অদুদা মীৎয়েং থমদুনা খাইদোকপা, চৎন-কাঙলোন অমদি খাইদোকপা লৈঙাক্লোনগী চৎন পথাপশিংগী চৈখৈ চিংশিনবা হৌরকখিবদুনা হান্না লৈজরম্বা ইকো-সিষ্টেম অদুদা ইমার্জনিরি দিভিজন অমা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মনুংদা লৈহল্লকখি। এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার-১৮৯১গী মতুংদা কংলৈপাক বৃটিশকী প্রোটেক্টোরেট ষ্টেট অমা ওইখি, অনৌবা লৈঙাক্লোন অমদি চৎন-পথাপশিং হৌদোরকখি। বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট অসি অদুক্কী মতিক মপাঙ্গল কল্লবা লৈঙাকপা অমা ওইরকখি, চীংগী লমশিং বৃটিশ ওফিসারগী মখাদা থমদুনা য়েংশিনবা হৌখি। মহারাজ অমদি দরবার বুনা অখন্নবা থৌ খক্তমক শিন্নদুনা চীংগী লৈঙাক্তা য়াওখিদে। অদুবু চীংগী লৈঙাক পুরিবা বৃটিশ ওফিসারগী সেলরিদি মহারাজনা পীরম্মী। মসিনা করিগুম্বা মতমদা কংলৈপাক্কী চীং অমসুং তম অসি তোখাইবা লৈঙাক ৱায়েলশিংনা ঙাক্তুনা থমখি হায়বা ৱাফমশিং কনাগুম্বনা হায়নবসু লৈ। মসিনা মরম ওইরগা তোখায়বা লম মখল অনী খাইদোকপা হায়বদি, চীং অমদি তম হায়বগী মওংদা লমদম অসিগী লম্মীৎলোনবু খাইদোকপা মানবা মওংদা থবক কয়া পায়খৎলকখি।

মথং মথং...

# বিজয় ককচিংতাবম...

*লমায় ১গী মখা...*খোল্লাও নেসনেলগী থাক্তা পুখৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মহাক্লসু লমদম অসিগী জর্নেলিষ্টশিংগী ফিভম ফগৎনবা অমদি থেংনরিবা খূদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পি সি আইদা পুখৎতুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী ওইনা জর্নেলিষ্টশিংগী মরক্তা পি সি আইগী মেম্বর ওইরকপসি বিজয় ককচিংতাবমনা অনীশুবনি। অহানবা ওইনা ২০২১-২৩গী মতমদা পাউচে অসিগী এডিটর ওইরিবা ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈনা পি সি আইগী মেম্বর ওইখি। মহাক্লা পি সি আই মেম্বর ওইখিবা অদু হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা রেজিদেন্ট এডিটর ওইরিঙৈ অমদি অমজুগী মেম্বর ওইরবা মতমদনি। মতম অদুদা প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চেয়ারপার্সন অসি সুপ্রিম কোর্টকী রিটয়ার্দ জষ্টিস সি কে প্রসাদনা ওইরিঙৈ অমদি রিটয়ার্দ জষ্টিস রঞ্জনা প্রকাস দেসাইনা পি সি আইগী চেয়ারপার্সন ওইরমখি। লোয়ননা মহাক্লা পি সি আইগী মেম্বর ওইখিবা অদু এডিটরস গীল্ড ওফ ইন্দিয়াগী নোমিনিদগীনি। মেম্বর ওইরিঙৈ মতমদা মণিপুরগী পাউমীশিং খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী পাউমীশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা অমদি অৱাবা কয়াগী মতাংদা পি সি আইদা পুখৎখি হায়রি।

# লমলক্কী শা-উচেকশিংদা...

*লমায় ১গী মখা...* বাজপাইনা হায়, ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তা থম্মোয়গী ওইবা অচেৎপা মরী লৈনবগুম মরোল থোকচদবা শা-উচেকশিংবু ঐখোয়না লুনা চান্না তৌবিবা চঙই হায়খি।

মহাক্লা হায়, গার্দেন অসিদা লৈরিবা শা-উচেকশিং অসিবু তেক্তা কায়দনা থম্বদগী হৌরগা অনৌবা শা-উচেক পুশিল্লকপগী থবক তৌরম্বা অমদি তৌরিবা মীওই খুদিংমক থাগৎফম থোকই। ঙসি চহী ৫০ শুরবা জুলোজিকেল গার্দেন অসি ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনা মখা তানা শেন্নহৌগদবনা ইশাগী তঙাইফদবা থৌদাংনি খন্না শা-উচেকশিং অসিবু য়েংশিনবা চঙগনি। শুপ্পতগী শারাং খরা থল্লগা অমদি নোংফাদোক য়েংশিল্লগা শা উচেকশিংবু থম্ফম থোক্তে। মীওইবা ঐখোয়না ফাওরিবা অৱাবা নুংঙাইবা খুদিংমক শা-উচেকশিং অসিনসু ফাওই। লমলক্কী শা-উচেকশিং কনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং ওইবনা শা-উচেকশিংবু হাৎতোকপীবা তৌগুমসি। জু অসিবু হেন্না মপুং ফানা চল্লাইবদা মীয়ান্না মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্ট (পি সি সি এফ) অনুরাগ বাজপাইনা উনিংথৌ চারাশিং থাখিবগা লোয়ননা জুদা থন্নবা থেঙ্গু মচাশিং খূৎশিন্নখি।

# সি ঐচ সিগী অৱাৎপা পীরক্ত্রিবা...

*লমায় ১গী মখা...*মদুগী মতুং চহী অসিগী ওগষ্ট ২৮ দা ৱাঙ্গৈইগী মীয়ান্না হেল্থ সেন্টর অসিগী কেম্পসতা পাউমীশিংগা উনদুনা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা হেল্থ সেন্টর অসিগী অৱাৎ-অপাশিং পীবিনবা লৈঙাক্তা মতম থাখি। ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী হেলঠ দাইরেক্টর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সি এম ওদা সেপ্তেম্বর ২৩ দা মেমোরেন্দম ওইনা পীশিন্দুনা অমুক্কা হন্না নীংশিংখি। লাইবক থিবদি সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা হেল্থ সেন্টর অসিগী অৱাৎ অপাশিং পীরকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না খোঙজং চঙশিল্লকপনি। হিরম অসিগী মতাংদা ৱাঙ্গৈই এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর কেঐচ লোকেনগা উনদুনা ৱারী শানবা মহাক্কী য়ুম তম্না রেল্লি অমা চৎখি। লাইবক থিবদি ষ্টেট পুলিসনা লম্বীদা থত্তুনা থল্লগা মেমোরেন্দম ফাওবা পীশিনবগী খুদোংচাবা ফংহনখিদে। মসিনা মরম ওইরগা খোইশাওনরবা মীয়ান্না মিনিষ্টরবু সোসিয়েল বোইকোট তৌবগী ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি। খোঙজং অসি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মওংদা লান্না উহন্নবা শীল্লকপা অসিমক লাইবক থিবনি। মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইরবদি মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা খঙনা থবক তৌবিয়ু হায়খি।

# ইন্টর ষ্টেট কোদাইন...

*লমায় ১গী মখা...*মপাল অমসুং শীংজমৈ ময়েংবম লৈকাইদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা মীওই ৩ কোদাইন ফোসফেটকা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখিবনি।

মীওই ৩ অদুদগী কোদাইন ফোসফেট ১০ এম জি য়াওবা CHOCO+ কী সিরপ বোট্টল ৩১৮কা লোয়ননা মহিন্দ্র এক্স য়ু ভি অমসুং জুপিটর পূন্না গাড়ী অনীগা ফাগৎখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌরবা মতুং হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কদাইদগী কমদৌনা লাকপনো হায়বা থীজিন্দুনা লাকখিবনি। থীজিনবা অদুদা নোংথোম্বম জেমসজিৎ অসি কিংপিননি হায়বা খঙবা ঙম্লকপদগী মহাকপু ট্রেস তৌরবা মতুং অহমেদবাদতগী ফাবা ঙমখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শীংজমৈ ওইনাম থিঙৈলদা চথখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা কোদাইনগী সিরপ বোট্টল ৮,৬৩৬ অদুসু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ডা. মন্সুখ মন্দভিয়া...

*লমায় ১গী মখা...* এসিয়ান গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা উৎখিবা ফজরবা পর্ফোমেন্সশিং অদুগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরকখিবনি।

উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা ফেদরেসন অমদি বোদি অনী অহুম থোক্লা লৈবনা মরম ওইরগা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মতাংদসু পাউদমখি। লোয়ননা উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ডা. মন্সুখ মন্দভিয়াবু স্পোর্টসকী লমদা অফবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

# জে এফ দি বুমেন ৱিংনা...

*লমায় ১গী মখা...*ঙসি ৭ নি চনবা নুমিত্তা উনখিবা এম এল এশিং অদুদি থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো, থৌবাল এ সিগী এম এল এ ওক্রম ইবোবি অমদি খাঙবোক এ সিগী এম এল এ সুর্জকুমার ওক্রমনি। ঙসি মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ইসু অসিগী মতাংদা এম এল এগী ফিরেপ হায়নবা তকশিনবা অদুদা এম এল এশিংনা ইসু অসি মপূং ফানা সপোর্ট তৌই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোল্লকপগা লোয়ননা খূৎয়েক পীরকখি।

# য়ুক্রেনগী ফ্রন্টলাইন সিটিদা রসিয়াগী এটেকনা বস অনিদা পানবদা মীওই ৩০ শিখ্রে



ক্যিব, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সি):

চয়োল খরগী মনুংদা এটেক অমখক্তদা খ্বাইদগী মী শিবশিংগী মনুং দগী অমদা য়ুক্রেনগী ফ্রান্টলাইন সিটি ক্রমাটোরস্কদা রসিয়াগী এটেকনা বস অনিদা পানবদা মীওই ৩০ শিখ্রে। বস অনি অদুদা গ্লাইদ বোম অদু পানখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

শেল কাপশিল্লকপদা মীওই ৩ অমগসু নক্নবা খুল অমদা শিখি হায়না ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসনা হায়খি।

এটেকশিং অসি অৱাং থংবা চেরনিকিব রিজনদা মথোল ৫গী এপার্টমেন্ট ১ পাকহনখিবা রসিয়ান মিসাইল অমনা অঙাং ৫ য়াওনা মীওই ২২ হাৎখিবা মতুং হেক নোং ঙানবদনি।

বসশিং অদুগী মৈনা কাথেল্লবা শরুক অদুগা লোয়নন লম্বীদা হকচাংশিং অমসুং অতেক-অকায় চাইথোক্লিবা অদু লোকেল ওথোরিটিজনা থাগৎলকখিবা ফোটোশিংনা উৎখিবা মতুং এটেক অদু পাউখুম পীদনা তোক্লোই হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা ৱাশকখ্রে।

লান অসিদা মীচম ১৭০০০ হেন্না শিখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ভেরিফাইদ তৌখ্রে। অদুবু অশেংবা মশিংদি মসিদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়রি।

ক্রমাটোরস্ক হায়রিবা অসি লান মমাঙদা মীওই ১৫০,০০০ রোম লৈরম্মি। মসি মোস্কোনা মখোয়গী লমনি হায়রিবা নোংপোক থংবা দোনেস্ক রিজনগী মনুংদা রসিয়ানা হৌজিক ফাওবা পায়শিন্দ্রিবা মরুওইবা সিটিশিংগী মনুংদগী অমনি।

পুটিনবু ৱারী শান্নবগী টেবলদা নমদুনা লাকহন্নবা য়ুক্রেনদা হেন্না ফবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমস পীবা য়াওনা জেলেনস্কিনা রসিয়াগী মথক্তা শাফু হেন্না পীথনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা আপিল তৌখ্রে।

# মহৈরোইগী প্রোটেষ্টশিং লোইশিনবগী মমি উদবগা লোয়ননা পুলিসনা বেরিকেদেদ পেরিস হায়স্কুলদা টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে




পেরিস, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সি):

ফ্রান্সতা মহৈরোইশিংগী লৈবাক শিনথুংবা প্রোটেষ্টশিং লোইশিনবগী মমি উখিদবগা লোয়ননা পুলসিনা টিয়ার গ্যাসকা লোয়ননা চংশিল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙ মহৈরোইশিংনা শগোলশেল নুমিৎতা অমোৎ-অকায় হাপ্পা বিনশিংনা অৱাং নোংপোক থংবা পেরিসকী হায়স্কুল অমা থিংদুনা থমখ্রে।

হায়গিয়া বৌচের হায় স্কুল অদু ফ্রান্সকী কোনুং অদুদা খূৎ থোক্লবশিংগীদমক ময়োল অমা ওইরকখ্রে অমসুং শগোলশেল নুমিৎতা প্রোটেষ্টশিংনা অপনবা থোকহনখিবা স্কুল চা কয়াগীমনুংদা অমা ওইখ্রে।

হায় স্কুল মহৈরোইশিংগী শৌগৎপা য়ামদ্রবদা দেমোনষ্ট্রেসন ১২ রোম নুমিৎ অসিদা ফ্রান্সকী মফম কয়াদা থৌরাং তৌরি। মদুগী মনুংদা পেরিসতা লৈবা প্লেস দে লা বাষ্টিলেদা অমা য়াওরি।

স্কুল অদুদা মহৈরোইশিংনা পূনশিল্লকখিবগা লম্বী নাকনশিংদা রাইওট পুলিসনা পুনখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না অহেনবা এদুকেসন ফন্দিংগী দিমান্দ তৌনবা চহী ১৯মখায়গীদা অয়ান্না ওইবা মহৈরোইশিংনা সেপ্টেম্বরগী অথেংবদগী প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখিবা মতুং পুলিসনা মীওই ৬৬০০ হেন্না ফাখ্রে।

এদুকেসন মিনিষ্ট্রিনা স্কুল ৩৭৫ মপুং ফানা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা ঙসি থিংজিনখ্রে হায়খি।

টেলিভিজনদা পীবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর সেবাষ্টিয়েন লেকোরনুনা হিংশা, মহৈরোইশিং অমসুং ষ্টাফতা এটেক তৌবা, পুলিস ওফিসারশিং অমসুং জেন্দরমেনশিং শোকপা, স্কুলশিং মৈ থাবা নৎত্রগা থুগাই য়ৈখায়বা, পুংলিশিং কয়াগী ক্লাসশিং মাঙখিবদা নিংঙমদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না মসিগী অশাওবা অসিবু মখোয়গী ইলেক্টোরেলগী লানদা শিজিন্নরিবা পোলিটিকেল লুচিংবশিংদা পান্দম থমখি। ফ্রান্সনা এপ্রিলদা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন অমগীদমক ভোট থাদনগদৌরি। ফ্রান্সকী নহাশিংগী সেফটি অদু ঐখোয়না শান্নবা য়ারোই হায়না মহাক্না হায়খি।

# সাউথ কোরিয়ানা মখোয়গী অহানবা ময়ূমদা শাজবা হায়পরসোনিক ৱিপন কাপ্তুনা চাংয়েংখ্রে

সিওল, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সি):

সাউথ কোরিয়ানা য়ামদ্রবদা খোঞ্জেলগী অয়াংবা শরুক ৫ য়াঙনা পাইনবা অমসুং মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমসনা ঙাকথোকপা ঙমহন্দনবা দিজাইন তৌবা মখোয়গী লৈবাক্না শাজবা অহানবা হায়পরসোনিক ৱিপন শগোলশেল নুমিৎতা কাপ্তুনা চাংয়েংখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা জপান মনাক্কী ঈশিং লমদা তাখিবা নোর্থ কোরিয়াগী হায়পরসোনিক মিসাইল টেষ্ট তৌখি। লৈবাক অদুদগী খুদক্কী পাউখুম পীরক্ত্রি। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট লি জৈ ময়ুননা চাংয়েং অদুদা শরুক য়াখি অমসুং মদু লৈবাক অদুগী কনভেন্সনেল দিফেন্স কেপাবিলিটিজ কনখৎহনবদা অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

চেকশিন্না ঙাকশেল্লিবা কোরিয়া অনিগী ঙমখৈ মনাক্তা হৌখিবা থাদা লেন্দ মাইন পোকখায়বশিংদা সাউথ কোরিয়ান লান্মী ৩ শোকখিবগী মতুংদা চয়োল খরসিদা কোরিয়ানশিং অদুগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনখি।

নোর্থ কোরিয়ানসু মখোয়গী লুচিংবা কিম জোং উননা সিওলদা হেন্না অকনবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা মাগী মিলিটরি ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম পাকথোক চাওথোকহনবগা লোয়ননা খূৎলাইশিং টেষ্ট তৌবগী থবক কনখৎখি।

ওক্টোবর ৩দা মখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা খূৎলাই চাংয়েংদা নোর্থ কোরিয়ানা কিলোমিটর ১০০০ হেন্না পাইবা ঙম্মি হায়বা হায়পরসোনিক ইন্টরমেদিয়েট-রেঞ্জ মিসাইল অমা কাপখি।



# ইষ্ট জেরুসালেমদা বৃটিশ কোন্সুলেটকী থবক লেপ্লে হায়না ইজরেলনা ফোঙদোকখ্রে

ইষ্ট জেরুসালেম, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সি):

জেলুসালেমদা লৈরিবা বৃটিশ কোন্সুলেট অদু কোন্সুলেট অমা ওইনা থবক তৌবা লেপ্লগনি, কোন্সুল জেনরেল অদু য়াওনা বৃটিশ দিপ্লোমেট ২০ লৈবাক অদু থাদোক্লগনি হায়না ইজরেলনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। বৃটেননা জেরুসালেমদা য়ু কে মিসন অদু ওইনা বল্ডিং অদু হাংদোক্তুনা থমখিবনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলি সেটলমেন্টশিংগী লল্লোন ইতিক্কী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থম্বা বৃটেন অমসুং অতৈ নোংচুপ লৈবাকশিংগীদমক খূৎ হনবা ওইনা সেপ্টেম্বরদা ইজরেলনা কোন্সুলেট অদু থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখিবা মতুংদগী লৈবাক অনি অদুগী মরক্তা থোক্লকখিবা দিপ্লোমেটিক্কী মুক্নবা অমগী মতুংদনি।

হেন্না ৱাংনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্কদবা অদু থিংনবগী পান্দমদা য়ু কে গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নখিবা অমদুগী মতুং বৃটিশ দিপ্লোমেট লৈবগী চাং অদু হস্থহন্নবা খোঙথাং অদু লৌখৎপনি হায়না ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর গিদিয়োন সারনা হায়খি।

ঐহাক্না লাউথোকখিবগুম্না জেরুসালেমদা বৃটিশ কোন্সুলেট অদু মখোয়গী থবক ঙসিদগী লোইশিল্লে হায়না সারনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

কোন্সুল জেনরেল অদু য়াওনা দিপ্লোমেট ২০ মখোয়গী মিসন লোইশিল্লে অমসুং লৈবাক অদু থাদোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বিল্ডিং অদু বৃটিশ গভর্ণমেন্টকী প্রোপর্টিনি অমসুং মদু প্রিমাইজ অদুদগী শুপ্নগী দিপ্লোমেট ৭কী টাস্ক ফোর্স অমা ওপরেট তৌবা য়াহনগনি হায়না ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর অদুনা হায়খি। মখোয়গী থবক অদু য়াম্না অকক্নবা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।




## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION

*Imphal, the 5th October, 2026.*

No.01/02(05)/2026-LA(E): In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 29/09/2026, it is informed to all the candidates who have applied for the posts of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the new revised dates for issue of **Admit Cards (Online mode only)** is hereby listed in the table below:

| Particulars | Dates notified earlier | Revised dates |
|---|---|---|
| *Issue of Admit Cards (Online mode only)* | *Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 24/10/2026* | ***Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 23/10/2026*** |

The schedules for issue of admit cards (Physical mode) along with the date(s), time and venues for the Written Test, remain unchanged.

**Sd/-**
**G. Tapankumar Sharma**
**Addl. Secretary, (Admn.)**
**Manipur Legislative Assembly**

SL/Ath/6,7,9

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER, NONEY

No. DC(NNY)/MPH (SASCI)/2026-27 Dated 06-10-2026

The Deputy Commissioner, Noney, Government of Manipur, on behalf of the Governor of Manipur, invites percentage rate tender through Open Tender from approved and eligible contractors of Manipur for 2(Two) nos. of Multipurpose Hall in Noney District costing less than 40(Forty) Lacs. The Tender details and documents can be obtained from the office of the Executive Engineer, Rd and Pr, Noney.

| | |
|---|---|
| **Bid submission start** | 07-10-2026 time 12.00 hrs. |
| **Bid submission end** | 21-10-2026 time 12.00 noon. |
| **Date of opening of Bid** | 21-10-2026 time 02:00 p.m. |
| **Venue of opening of Tender** | Office of the Deputy Commissioner, Noney, Government of Manipur. |

**Sd/-**
**Deputy Commissioner, Noney**
**Government of Manipur**

SL/5650/9






No.MU/3/Adm/Aca/24 : Dated: 8th October, 2026

## ADMISSION NOTICE /703 :

Online applications are invited for admission into the following programmes for the academic session 2026-27 under the Special Admission Drive:

**I. Admission to Two-year Postgraduate Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl.No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | MA in Adult Continuing Education & Extension | - | - | - | - | 4 | **4** |
| 2 | MA in Ancient History & Archaeology | - | - | 1 | 21 | 8 | **30** |
| 3 | MA/MSc in Anthropology | 1 | - | 1 | 10 | 4 | **16** |
| 4 | MSc in Biochemistry | - | - | - | - | 2 | **2** |
| 5 | MSc in Biotechnology | - | - | - | - | 2 | **2** |
| 6 | MSc in Chemistry | - | - | - | 4 | 4 | **8** |
| 7 | Master of Commerce (M.Com) | - | - | - | 12 | 6 | **18** |
| 8 | MSc in Earth Sciences | - | - | - | 3 | 2 | **5** |
| 9 | MA in East Asian Studies (Myanmar & China) | 2 | 5 | 1 | 9 | 3 | **20** |
| 10 | MA in Education | - | - | - | 3 | 9 | **12** |
| 11 | MSc. in Forestry | - | - | - | - | 3 | **3** |
| 12 | MA in Hindi | - | - | - | 16 | 6 | **22** |
| 13 | MA in History | 2 | 1 | 1 | 13 | 9 | **26** |
| 14 | Master in Human Rights | 2 | - | - | 3 | 3 | **8** |
| 15 | Master of Laws (LLM) | - | - | - | 4 | 3 | **7** |
| 16 | Master of Library & Information Science (MLIS) | - | - | - | 3 | 3 | **6** |
| 17 | MA in Linguistics | - | - | - | 12 | 5 | **17** |
| 18 | MA in Manipuri | - | - | - | - | 13 | **13** |
| 19 | MA/MSc in Mathematics | - | - | - | 12 | 7 | **19** |
| 20 | MA in Philosophy | - | - | - | 12 | 7 | **19** |
| 21 | MSc in Physics | - | - | - | 11 | 5 | **16** |
| 22 | MA in Political Science | - | - | - | 6 | 10 | **16** |
| 23 | MA/MSc in Psychology | - | - | - | 1 | 7 | **8** |
| 24 | MA in South East Asian Studies | - | - | - | 4 | 5 | **9** |
| 25 | MA/MSc in Statistics | - | - | 1 | 12 | 4 | **17** |
| 26 | M.Voc in Entrepreneurship & Foreign Trade | - | - | - | 9 | 4 | **13** |
| 27 | M.Voc in Tourism & Hospitality Management | - | - | - | 9 | 4 | **13** |
| 28 | MSc in Yoga Science | 1 | 2 | - | 13 | 5 | **21** |

Note: Seat(s) may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned.

**II. Admission to One-year Postgraduate Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl.No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | MA in Ancient History & Archaeology | 13 | 9 | 1 | 15 | 5 | **43** |
| 2 | MSc in Biotechnology | 1 | - | - | - | 1 | **2** |
| 3 | MSc in Biochemistry | 2 | 1 | - | 2 | 1 | **6** |
| 4 | Master of Commerce (M.Com) | - | - | - | 8 | - | **8** |
| 5 | MSc in Earth Sciences | - | 1 | - | 1 | - | **2** |
| 6 | MA in Education | - | - | 1 | 2 | 1 | **4** |
| 7 | Master of Library & Information Science (MLIS) | 1 | 1 | - | 2 | 1 | **5** |
| 8 | MA/MSc in Mathematics | - | - | - | 1 | 1 | **2** |
| 9 | MSc in Physics | - | - | - | - | 1 | **1** |
| 10 | MA/MSc in Psychology | 1 | 1 | - | 2 | 1 | **5** |

Note: Seat(s) may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned.

**III. Admission to Undergraduate & Integrated Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl.No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | B.Voc. in Food Processing and Quality Management (3-year Degree Programme) | 3 | 4 | 1 | 9 | 3 | **20** |
| 2 | Five-year Integrated B.A./M.A. in Hindustani Music | 13 | 3 | 1 | 11 | 3 | **31** |
| 3 | Five-year Integrated B.A./M.A. in Hindustani Music (Lateral Entry into 7th Semester) | 3 | 6 | 1 | 11 | 3 | **24** |
| 4 | Five-year Integrated B.Voc./M.Voc. in Tourism and Hospitality Management | - | - | - | 7 | 3 | **10** |
| 5 | Five-year Integrated B.Voc./M.Voc. in Retail Management and Foreign Trade | 2 | 6 | 1 | 11 | 3 | **23** |

Note: Seat(s) may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned.

**IV. Admission to Diploma Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl.No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | One-year PG Diploma in Computer Application | 3 | 5 | 1 | 16 | 6 | **31** |
| 2 | One-year PG Diploma in Computer Application and Data Analytics | 8 | 5 | 1 | 15 | 5 | **34** |
| 3 | One-year PG Diploma in Translation | 5 | 7 | 1 | 14 | 5 | **32** |
| 4 | One-year Diploma in Information Technology | 14 | 11 | 1 | 20 | 6 | **52** |
| 5 | One-year Diploma in Sanskrit | 8 | 5 | 1 | 9 | 3 | **26** |

Note: Seat(s) may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned.

**V. Admission to Certificate Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl.No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Six-month Certificate course in Spoken Myanmarese | 9 | 3 | - | 6 | 2 | 20 |
| 2 | Six-month Certificate course in Communicative English | 7 | 7 | 1 | 12 | 5 | 32 |
| 3 | Six-month Certificate course in Translation | 4 | 5 | 1 | 14 | 5 | 29 |

Note: Seat(s) may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned.

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria, Programme-Specific Eligibility and Intake seats.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal **https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/**

**General Instructions:**

1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria:** It shall be announced by the concerned departments of the University.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | **08.10.2026** |
| Start of Online Submission | **11.10.2026** |

**Prof. M. Premjit Singh**
**Registrar**

**SL/MU(Sus)/9**

## OFFICE OF THE
ꯁꯥꯎꯊ ꯄꯣꯏꯔꯧꯈꯣꯡꯖꯤꯜ ꯋꯦꯜꯐꯦꯌꯥꯔ ꯀ꯭ꯂꯕ, ꯄꯣꯏꯔꯧꯈꯣꯡꯖꯤꯟ
**SOUTH POIROUKHONGJIL WELFARE CLUB, POIROUKHONGJIN**
*Regd No. 5738 of 1984*

### নিংশিংজবা

Public Works Department (P.W.D.) মণিপুরগী মরি লৈনবাশিংনা য়েংশিনবীয়ু:- ৱাংখেম কেন্দ্রগী মনুং চন্না Wangkhem Huidrom (হুইদ্রোম) লৈকাই I.V.R. তা হৌজিক হৌজিক Black Toping তৌরি। মতম কুইনা শেমবীরকখ্রবা শোরোক অসিবু শেমবীরকপা অসিগীদমক লম্বী অশিবু Life Line ওইজরিবা ৱাংখেম, পোইরৌখোংজিল, Angtha, Huidrom Leikaiগী প্রজাশিংগীদমক য়াম্না লাইবক ফবনি হায়না লৌজরি, থবক অসিবু পাইবিরিবা Contractor অমসুং থবক অসিবু শিনবিক্লিবা অনিমকপু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। অদুবু I.V.R. অশিগী মনুংদা Speed Breaker খরা হাপলিবা অসিদি প্রজাশিংদা য়াম্না খুদোংথিহনলে। Speed breaker অসিদা গারি কয়া Accident থোকতুনা, অশোক অপন কয়া য়াওনরে। I.R.C. গী নিয়মগী ৱাংমদা হাপলিবা Speed beaker শিং অথুবা মতমদা লৌথোকপিয়ু। প্রজাশিংবু খুদোং থিবদগী কনবীয়ু হায়জরি। Speed breaker গী নিয়মসু অমত্তা য়াওদে।

হায়জরিবা
Shree, Khundongbam Samungou Singh, President,
South Poiroukhongjil Welfare Club
S.P.W.C

SL/Jeena/9

## OFFICE OF THE
ꯁꯥꯎꯊ ꯄꯣꯏꯔꯧꯈꯣꯡꯖꯤꯜ ꯋꯦꯜꯐꯦꯌꯥꯔ ꯀ꯭ꯂꯕ, ꯄꯣꯏꯔꯧꯈꯣꯡꯖꯤꯟ
**SOUTH POIROUKHONGJIL WELFARE CLUB, POIROUKHONGJIN**
*Regd No. 5738 of 1984*

### নিংশিংজবা

Public Held Engineer Department Manipur গী মফমদা ৱাফম খরাদং হায়জরি, মদুদি হৌজিক হৌজিক Kaina Water Supplyনা প্রজাশিংদা পিরিবা ঈশিং অসি য়ামনা Sub standerd ওইরে।। প্রজাশিং ঈশিং শিজিন্নবদা য়াদদুনা অতোপপগী মফমদগী ঈশিং লৈনদুনা য়াম্না Economic Condition দা শোকহনলে। Scheme অসিগী মতিক চাবা, Water filter, য়াওদবা, Tankey শিং leage ওইবা, মতম কুইনা Repearing তৌবীদবা, Scheme অসি য়ৌনবা ফিশিগ্রি-পুখৎপদা, Comitee গী মীওইশিংনা নংগলদা পোরগা পুখৎপা লম্বী য়াদবনা মরম ওইরগা, হাপফম থোকপা Chemical শুনা হাপতবা, প্রজশিংদগী কারকপা শেলফমনা মসিবু শেমজিনবা, অমদি লৈবা কোন্নদবা, Commiteeগী member শিংনা প্রজাগী অপামবদা নিংবা থুংহনবা ঙমদবা, মরমদি income য়াম্না নেমবনা মরম ওইরবা মরম অসিনা মরী লৈন্নবা Department না মতম চানা চংগদবা, মচাকশিং পিবিয়ু মতম চানা য়াদ্রিবশিংসে শেমজিনবীয়ু হায়না হাইজরি।

হায়জরিবা
Shamungou Singh, President
South Poiroukhongjil Welfare Club S.P.W.C

SL/Jeena/9

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 715/SDC/IW(C)-I dated, 08/10/2026

Irungbam Jenita Devi, W/O Akoijam Bashan Singh of Keishampat Mutum Leirak. -Petitioner

-Vs-

(Late) Akoijam Roshan Singh S/O Angou Singh of Keishampat Mutum Leirak. O.P. (s)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Lamphel, the 8th October, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Akoijam Roshan Singh S/O Angou Singh of Keishampat Mutum Leirak গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 264 (O) অনৌবা পট্টা নং 486/4863 (N) দাগ নং 17392/17626 অমসুং এরিয়া 0.0048 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/B-Nute/09

### ক্রোসৱার্দ ১১৬৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | E | A | D | ■ | A | C | E | S | ■ | S | L | A | S | H |
| E | L | S | E | ■ | R | E | N | T | ■ | T | O | R | T | E |
| E | L | E | C | T | R | O | D | E | ■ | A | S | I | A | N |
| D | E | A | R | I | E | ■ | O | V | E | R | E | A | T | S |
| ■ | ■ | ■ | E | N | S | ■ | W | E | L | T | ■ | ■ | ■ | ■ |
| P | A | L | E | T | T | E | ■ | ■ | O | S | C | A | R | S |
| A | D | E | ■ | ■ | ■ | C | H | A | P | ■ | O | R | A | L |
| D | I | V | A | ■ | S | H | A | P | E | ■ | T | I | D | E |
| R | E | E | D | ■ | H | O | M | E | ■ | ■ | ■ | S | A | P |
| E | U | R | O | P | E | ■ | ■ | D | E | S | S | E | R | T |
| ■ | ■ | ■ | ■ | S | E | N | D | ■ | N | U | T | ■ | ■ | ■ |
| I | M | I | T | A | T | O | R | ■ | A | R | O | M | A | S |
| R | U | R | A | L | ■ | B | A | R | C | E | L | O | N | A |
| A | L | A | R | M | ■ | E | M | I | T | ■ | E | D | D | Y |
| N | E | S | T | S | ■ | L | A | D | S | ■ | N | E | S | S |

# রঞ্জি ট্রোফি ২০২৬-২৭: মণিপুরগী ওপনিং মেটচ ওইনা মিজোরামগা জি এস পতেল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক সিজন ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী অচৌবা ট্রোফি অমা ওইরিবা রঞ্জি ট্রোফি ২০২৬-২৭গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা শান্নরগনি। মণিপুরগী ওইনা মিজোরামগা শান্নদুনা রঞ্জি ট্রোফি অসিগী কেম্পেইন হৌদোক্লগনি।

থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা রঞ্জি ট্রোফিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা তোঙান তোঙানবা টিম ৩৮না শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরি।

হৌখিবা চায়োলদা শ্রীনগরগা শান্নখিবা ইরানি কপ্তা মায়থিবা নঙখিবা মমাঙগী রঞ্জি ট্রোফি চেম্পিয়ন জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা মধ্যা প্রদেশকা লম্বা পাদুনা শান্নগদৌরি।

রঞ্জি ট্রোফি ২০২৬-২৭গী অহানবা রাউন্দ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পূন্না মেটচ ১৯ শান্নগদৌরি।

লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক ক্রিকেট মশান্নাগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ট্রোফি অমা ওইরিবা রঞ্জি ট্রোফি অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৩৮না গ্রুপ-৫ থোক্লা শান্নগদৌরি। গ্রুপ-এগী ওইনা বিহার, বরোদা, গোৱা, জম্মু এন্দ কাশ্মির, মধ্যা প্রদেশ, পোন্দিচরি, উট্টর প্রদেশ, বিরভা, গ্রুপ-বিদা কর্ণতকা, অন্ধ্র প্রদেশ, শৌরস্ত্রা, ছটিসগর, হায়দরবাদ, ত্রিপুরা, অসাম, পঞ্জাবনি।

গ্রুপ-সিদা বেঙ্গল, দিল্লি, গুজরাট, ঝারখন্দ, কেরলা, মহারাষ্ট্রা, সার্ভিসেস অমদি ওড়িষানি। গ্রুপ-দিদা মুম্বাই, রাজস্থান, হরিয়ানা, তামিল নাদু, হিমাচল প্রদেশ, উট্টরখন্দ, রেলৱে অমদি চান্দিগরনি।

প্লেট গ্রুপতা মিজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, সিক্কিম, মেঘালায়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশনি।

থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা ১৪ ফাওবা শান্নগদৌরিবা রঞ্জি ট্রোফিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমা ওইনা গুরজরাটকী নাদিয়াটতা লৈবা গোকুলভাই সোমাভাই পতেল ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমসুং মিজোরামগী মরক্তা শান্নরগনি।

অহানবা রাউন্দগী ওইনা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা প্লেট গ্রুপকী ওইনা সিক্কিম অমদি মেঘালায়া, অরুনাচল প্রদেশ অমদি নাগালেন্দগী মরক্তা লম্বা পাদুনা শান্নগদৌরি। অমরোমদা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংগী ওইনা অহানবা রাউন্দগী মেটচ ওইনা অন্দ্র প্রদেশ অমদি কর্ণতকা, বেঙ্গল অমদি দিল্লি, বিহার অমদি উট্টর প্রদেশ, গোৱা অমদি বরোদা, গুজরাট অমদি ওড়িডষা, হরিয়ানা অমদি হিমাচল প্রদেশ, হায়দরবাদ অমদি ত্রিপুরা, জম্মু এন্দ কাশ্মির অমদি মধ্য প্রদেশ, জরখন্দ অমদি কেরলা, মুম্বাই অমদি চান্দিগর, পঞ্জাব অমদি অসাম, রেলৱে অমদি উট্টরখন্দ, রজাস্থান অমদি তামিল নাদু, সৌরাস্ত্রা অমদি ছটিসগর, সার্ভিসেস অমদি মহারাষ্ট্রা অমসুং বিদরভা অমদি পোন্দিচরিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়মশিংদা লম্বা পাদুনা শান্নগদৌরি।

# ষ্টেটকী ৱুমেন কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিং মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ এমেচর কবাদ্দি ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হিমাচল প্রদেশনা য়ুন্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৩শুবা সেনিয়র ৱুমেন নেসনেল কবাদ্দি চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিংগী মিং ঙসি মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটকী ৱুমেন কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সননা থা অসিগী ১৬গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুরাই অঙোম লৈকাইদা লৈবা এ এল য়ু সি প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল কম সেলেক্সনদা য়াওগদবশিং অদুদি নয়াদগী এন বিদ্যাপতি, রোজী নিঙোম্বম, এস অঞ্জলি, এল দাইনা, এস রোমিকা, এস দেবজানি, এন রোশিনিনি।

ভেতোদগী ঐচ সোমি, এল প্রিয়ালক্সমি, এস এলিস চনু, নাইদাদগী দব্লিউ অবেসনা, কে হেম্থোই, ও শ্রীয়া, দব্লিউ ইচনমচা অমসুং এন তেরিতিনানি।

এল ৱাই য়ু সিদগী ও ঙাম্থোই, এনজি সয়া, মালেমঙানবী, সিঐচ লাঞ্জেলথোইবী, কে এস দব্লিউ সিদগী এন দীপা, দব্লিউ তম্ফাসনা, এস প্রিয়ঙ্কা অমসুং এস লাঙলেনথোইনি।

এস ই দি ওদগী এস সুনিবালা, এন লিম্থোই, এস এল ৱাই ওদগী এম নেন্সি, এস অথিবী অমসুং এল সিঙ্কি দেবীনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েলগীদমক মতম চানা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরনবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (এস এন এস)ঃ সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬-২৭তা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম শেম্নবগী কোচিং কম ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল কম কোচিংদা শরুক য়ান্নবা টি দব্লিউ ৩ টেষ্টতা মায় পাকখ্রবা সব-জুনিয়র শান্নরোইশিংনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এসিয়ান গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা অমদি শরুক য়ারুবা শান্নরোই অমসুং কোচ ওক্কুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৯দগী থা অসিগী ৪ ফাওবা জপানগী আইচি নাগোয়াদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা অমসুং শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোই অমসুং কোচ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং চেৎঙো লৈকাইদা লৈবা লাইওন ক্লব ওফ মোইরাংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবম, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন মঙ্গি, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট কে বারুনি, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল এল জয়ান্তকুমার, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট পিঐচ মঘা, ডা. ঐচ অমুবানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ৫ হায়বদি বিষ্ণুপুর, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী অপুনবা শান্নরোই ৩৬না ইভেন্ট ৫ সেপাক তাক্রো, সাইক্লিং, ৱুশু, রোৱিং অমসুং কেনোৱিং এন্দ কয়াকিং মশান্নদা শরুক য়াখিবগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী প্লেয়র ১১না শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী শান্নরোই মশিং য়াম্না শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওইখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱুশু শান্নরোই নাওরেম রোশিবিনানা ইন্দিয়াগী ওইনা সিলভর মেদল লৌরকপা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, গেমস অসিদা চাইনানা অপুনবা মেদল ৩৪১ লৌদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি। জপাননা অপুনবা মেদল ২৬৯দা টিম রন্নরস অপ অমদি সাউথ কোরিয়ানা মেদল ১৫৯দা সেকেন্দ রন্নরস অপ তাখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২১, সিলভর ২৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৫৭দা পূন্না মেদল ৮৫ লৌদুনা গেমস অসিদা মরিশুবা মফম কনবা ঙমখিবনি।

ঙসি ফেলিসিতেসন সেরিমোনি অদুদা রোৱিং শান্নরোই ফাইরেম্বম সোনিয়া, লাইচোনবম নেহা, ওইনাম অর্জুন, ফিলেম গ্যানোবর, কেঐচ ধনামঞ্জুরি, হাওবিজম তেম্দাম্থোই, সাইক্লিং শান্নরোই য়াঙলেম রোহিট, সেপাক তাক্রো শান্নরোই অয়েকপম মাইপাক অমদি ৱুশু শান্নরোই সিলভর মেদলিষ্ট নাওরেম রোশিবিনা দেবীদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী সাইটেসন অমদি লেঙয়ান পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# মণিপুর পুলিসনা সিলভর মেদলিষ্ট মিরাবাই অমসুং রোশিবিনা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ হন্দক জপানদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবী মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল এস পি স্পোর্টস সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং দি এস পি স্পোর্টস নাওরেম রোশিবিনাবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পুলিস হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লম্লাই এসেমব্লিগী এম এল এ কে ইবোমচা, ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুরেস সিংহ অমসুং মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা ৱারী ৱাতায় শান্নবদা এঠলেট অনী অদুনা মখোয়গী এক্সপরিয়েন্স, থেংনখিবা অৱাবা অমসুং নীংশিংনিংঙাই ওইবা মীকুপশিং পাউদমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মুকেসনা মেদল ৱিন্নরশিং অদুবু মখোয়গী থোয়দোক হেন্দোকপা মগুনশিং অদুগীদমক্তা থাগৎখি অমসুং মখোয়গী মথৌদা পূক্নিং চঙবা অমদি খাঙবা কনবা অদুবুসু শীংথাখি। নৌরিবা শান্নরোইশিংবু মখোয় মখোয়গী চান্নগদবা মশান্নশিং নীংথিনা খনবিরগা মখো শোন্থিবগী তঙায় ফদবা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুর পুলিসনা থোয়দোক হেন্দাকপা মখোয়গী শান্নরোইশিংবু পূক্নিং হেন্না থৌগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

# মোঙ্সাং পন্থা ৱাই সি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭, (এস এন এস)ঃ দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স, চান্দেল খৃষ্টিয়ানদা চথুরকপা দি সি চান্দেল ট্রোফি (সুপর, ফার্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দিভিজন) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি ফার্ষ্ট দিভিজনগী শান্নখিবা মেটচতা মোঙ্সাং পন্থা ৱাই সি সিনা লিৱা খুল্লেন ৱাই সিবু গোল ২-০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মোঙ্সাং পন্থা ৱাই সি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ রোলিশ ঙোরুহনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৬ অমসুং জর্সি নম্বর ২ বেশোরজিৎনা মেটচকী ২৯শুবা মিনিটতা চনখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন মেটচশিংদনা লিৱা শারৈ ৱাই সি অমদি ফোরইভর ওপস ২৬ সেক্টেরনা শান্নগদবা মেটচ তোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মেটচ অমদনা বেতুক ৱাই সি মায় পাকখ্রে।

বেতুক ৱাই সি অমসুং হৈবুংলোক ৱাই সিনা শান্নখিবা মেটচতা বেতুক ৱাই সিনা হৈবুংলোক ৱাই সিবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বেতুক ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ এসকে অশোকনা মেটচকী ৭০শুবা মিনিটতা চনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা হৈবুংলোক ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৩ দাভিদ অমদি বেতুক ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৭ এসকে অশোক অমসুং জর্সি নম্বর ৪৭ অঙৱারসনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

*মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬ :*

# এস এস য়ু অমসুং নেরোকা এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিসনা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা চথুরিবা মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস এস য়ু এফ সি অমসুং নেরোকা এফ সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এস এস য়ুনা উৎলৌ এফ সিবু পেনাল্টি সুটআউটতা গোল ৫-২দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না পিবা মতম লোয়বা ফাওবা গোল ১-১দা মান্না লৈবদগী পেনাল্টি সুটঅউটনা লাইবক লেপ্পা তাখি। অপিবা মতমদা চনখিবা উৎলৌ এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এন ইদিসননা মেটচকী ৯০ প্লস ৩শুবদা অদুগা এস এস য়ু এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৫ ৱাহেংবম জেকনা মেটচকী ৩১শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা নেরোকা এফ সিনা পথাপ এফ সিবু লাকচনা গোল ৮-২দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা নেরোকা এফ সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ রাজকুমার লনচেনবানা মেটচকী ১৫শুবা, ৩৭শুবা, ৫৩শুবা, ৫৪শুবা অমসুং ৬১শুবা মিনিটতা গোল মঙা চন্দুনা হেদত্রিক মপুং ফাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ দব্লিউ অবিনাশনা ৪০শুবা, জর্সি নম্বর ৭ থোঙাম লেনিননা মেটচকী ৪৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ য়ুম্নাম রেদেনা মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা অমমমম চনখি।

মায়থিরবা পথাপ এফ সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এমদি নিশার অহামদনা মেটচকী ৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এমদি অব্দুল করিমনা মেটচকী ২০শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৫ সোইবম অবিনাস, জর্সি নম্বর ২০ নিরিনবাশ অমাকচম অমদি পথাপ এফ সিগী মেনেজর এ এম অবিদ হুসেনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখিবগা লোয়ননা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ সৱিদ মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেটচতগী মপান থোকহনখি।

# মোতবুংদা সি আর পি এফনা শীন্দুনা নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ সি আর পি এফকী ২৩২ (এম) বট্টালিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকপা নুপীগী অন্দর-১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্য ঙসিদগী প্রিসিদেন্সি কোলেজ ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট হায়বা ৱাখল্লোনদা ওক্টোবর ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১২গী নুপী শান্নরোই ১৫৭না শরুক য়ারি।

শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগী ওইনা জর্সি, সোর্ট অমসুং ফুটবোল বুটশিং লেম্পা য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর অমসুং ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ষ্টাইকর ওইনা শরুক য়াখিবা সেমবোই হাওকিপনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাষ্ট প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৩০, সেকেন্দ প্রাইজদা লুপা লিশিং ২০ অমসুং থার্দ প্লেসতা লুপা লিশিং ১০গী মনাশিং থল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট, বেষ্ট গোলকিপর, বেষ্ট দিফেন্দর, বেষ্ট মিদফিল্ডর অমসুং টোপ স্কোররদসু লুপা লিশিং ৩। ৩গী শেলগী মনা অমদি মেদল অমসুং সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নগনি হায়রি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ৱেটলিফটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ মেঘালায়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱেটলিফটিং (এম এন্দ দব্লিউ ) টুর্নামেন্ট য়েশিল্লকপনা মরম ওইদুনা লিবরেল কোলেজ লুৱাংশঙমবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱেটফিলটিং অমসুং পৱার লিফটিং কম্পিটিসন ২০২৬-২৭ থা অসিগী ১৬তা ওইনা পাঙথোক্লবা নৌনা মতম লেপখ্রে।

কম্পিটিসন অসিগী ইন্ত্রি ফিগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ১ তাবা ফাওবা ওইবগা লোয়ননা ইন্ত্রি ফীনা লুপা লিশিং ৩। মেনেজর মীটিং অমদি ৱেটইননা কম্পিটিসন নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌরবা কোলেজ, ইন্সটিট্যুটশিংনা শরুক য়ারনবা খঙলকপগা লোয়ননা এ আই য়ু স্পোর্টস পোর্টেলদা রেজিষ্যার তৌবা অমসুং এ আই য়ু স্পোর্টস আই দিশিং পায়বা শান্নরোই খক্তনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না ওগর্নাইজিং সেক্রেটরী পি থোইয়াইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ, সেনিয়র ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখশদা কাচিখুল য়ুথ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টিং ক্লব (কে ৱাই এল এস সি)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা মিনি বোইজকী টিম ৮না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্লগা অমদি সেনিয়র ৱুমেনগী টিম ৫না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্লগা শান্নগদৌরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ এন্দ সেনিয়র ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

সেনিয়র ৱুমেনগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০, রন্নরস অপ্তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০ অমদি থার্দ প্লেসতা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫ ওইবগা লোয়ননা মিনি বোইজগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১৫, রন্নরস অপ্তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০ অমদি থার্দ প্লেসতা লুপা লিশিং ৫গী মনাশিং থল্লি।

সেনিয়র ৱুমেন টিমদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ-এদা এস সি ৱাই সি, টি আর ৱাই ভি সি উখুল, টিম-বিদা কে ৱাই এল এস সি, এম ৱাই সি মোইবুং খুনৌ অমসুং এম কাঞ্চিপুরনি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট পি নন্দজিৎ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ হরিয়ানাগী মাধুবনদা হৌখিবা থা সেপ্টেম্বর ২৩দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭৫শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস রেষ্টলিং ক্লষ্টর চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা এম পি এস সিগী বোদি বিল্ডরশিং ঙসি আইকোন জিমনা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা কেজি ৬০ কেটাগোরিদা এম পি এস সিগী বোদি বিল্ডিং প্লেয়র কনষ্টেবল পি নন্দজিৎনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখিবনি।

নন্দজিৎ ওকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর টি সুশন্ত, হায় কোর্টকী সেনিয়র এদভোকেট এস বিশ্বাজিৎ, এল রাজু, আইকোন জিমগী প্রোপাইটর ওইবতা নত্তনা হান্নগী মিষ্টর ইন্দিয়া এ মোমোতোম্বা অমদি জিম অসিগী ইন্সষ্ট্রক্টর এল সুনিলসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈন্না আইকোন জিমগী প্রোপাইটর মোমোতোম্বানা হায়, শান্নরোইগী মীং থোল অসি অচম্বা নত্তে, সনা-লুপানা মহুৎ শীনবা য়াদে। মালেমগী থাক্তা ইরমদম অসিবু শক তাকপদা শান্নরোইশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীরোলশিংনা শান্নরোইশিংগী ৱাখল্লোন চেল্লবদি খুন্নাই অসি তঙদু লৈতানা লৈবা ঙমগনি। শান্নরোইদা অমকপা লৈতে। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপতোক্কুনা হকচাং ফনা লৈনবা পাউজেল পীবনি। মখোয়গী থকশি খাসি মালেমদা শীংথানৈ। জাৎ বিজাৎ, ধর্ম্মা খায়দে। খুৎলাই পায়দবা লান্মিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়না ইরমদম অসি মালেমগী থাক্তা শক তাকপদা নত্তনা ইরমদম অসিবু ঙাক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

*ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট:*

# ৱাই জি সিনা এস এফ সি সোরাবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮, (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ২২শুবা কিশ্বরকুমার মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই জি সি লাংমৈদোংনা এস এফ সি সোরাবু গোল ৩-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই জি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ এস মৈতৈসনানা অহানবা হাল্ফকী ১০শুবা অমসুং ৩৬শুবা মিনিটতা অমদি অনীশুবা হাল্ফকী ৮৭শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেদত্রিকসু তৌবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ঐচ অজয়না রেফরি, টিঐচ বিরকুমারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, কেঐচ সত্রাধারিনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমদি সিঐচ শ্যামসননা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ অসিমক্তদা চথুরিবা ২৩শুবা কেএসঐচ লৈহাও মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচনা এ আই এফ এ ইরেংবন্দনা ৱাই দব্লিউ সি ককচিংবু গোল ৪-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এ আই এফ এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ পরমজিৎনা মেটচকী ১৬শুবা, জর্সি নম্বর ১৩ থেওফিুসিনা মেটচকী ২১শুবা মিনিটতা পেনাল্টিতা চনখ্রবা মতুং অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ বিক্কিনা মেটচকী ২৮শুবা অমসুং জর্সি ২২ য়োইসনানা মেটচকী ৬৮শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সিগী জর্সি নম্বর ৪ এম কারিমেক্স অমদি জর্সি নম্বর ১০ এম সনায়াইমাদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
ꯁꯦꯄꯦ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯂꯁ, ꯏꯝꯐꯥꯜ
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X) - 2026
1ST 96.2% JEWEL NINGTHOIJAM RAMSRISNA MISSION SCHOOL
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)- 2026
XII ARTS
1ST 98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
1ST 98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
1ST 92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
POLITICAL SCIENCE 100/100 THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
HISTORY 100/100 SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN
ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR
CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026)
For more details please contact : 9863055737 | 7005958928
9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal
SL/B/4(alt)15days

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com